# ৱর্ল্ড ট্যুবরক্যুলোসিস দে

- ডো. সাধনা নিংথৌজম -

*মালেমগী* মীপূম খুদিংমক ট্যুবরক্যুলোসিসকী মরমদা ৱাখল তাহনবগা লোয়ননা লায়না অসি মপূং ফানা লাকশিন্নবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী মার্চ ২৪দা ‘ৱর্ল্ড ট্যুবরকুলোসিস দে’ গী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না মালেমগী থাক্তা ওফিসল ওইনা পাঙথোকপা পব্লিক হেলথ কেম্প্যেন নিপালগী মনুংদা ‘ৱর্ল্ড ট্যুবরক্যুলোসিস দে’ সু অমনি। অতৈ থৌরমশিং অদুদি ‘ৱর্ল্ড হেলথ দে’, ‘ৱর্ল্ড ব্লদ দোনর দে’, ‘ৱর্ল্ড ইম্ম্যুনাইজেসন দে’, ‘ৱর্ল্ড মলেরিয়া দে’, ‘ৱর্ল্ড নো টোবেকো দে’, ‘ৱর্ল্ড হেপাটাইটিস দে’ অমসুং ‘ৱর্ল্ড এইদস দে’ নি।






ট্যুবরক্যুলোসিস হায়রিবা লায়না অসি মাইকোবেক্টেরিয়ম ট্যুবরক্যুলোসিস কৌবা মহীক মখল অমনা ওইহল্লকপনি। মালেমগী ওইনা অপূনবা টি বি লায়নাগী কেস চাদা ২৭ ইন্দিয়াদা থেংনরি। লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিহল্লিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ২৯ ইন্দিয়াদনি। ইন্দিয়াদা টি বিনা অচৌবা চৈথেং অমা পীবগা লোয়ননা মিনট অমা মখায় খুদিংগী মীওই অমমম লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিরি। ইন্দিয়াদা লায়না অসিনা নুমিৎ খুদিংগী মীওই ১৪০০ শিহনবগা লোয়ননা চহী খুদিংগী মীওই লাক্ষ ৫ শিরি।

লায়না অসি মাইকোবেক্টেরিয়ম ট্যুবরক্যুলোসিস কৌবা নুংশিৎতা কোইপাই পাইদুনা লৈবা মহীক মখল অমনা ওইহল্লকপা মরম্না হৌজিক ঐখোয়না নিংশা শ্বর হোঞ্জিল্লিবা অকোয়বগী নুংশিৎ অসি কয়া য়াম্না শেংলিবগে হায়বদু খন্নদবা য়াদবা ৱাফম অমা ওইরক্লে। অচৌ-মচা খায়দনা মীপূম খুদিংমক, মরু ওইনা পোলিসি মেকর, মিদিয়া পর্সন অমদি এন জি ওশিংনা তমথিরবা লায়না অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোক্লে।

মণিপুরগী ওইনা লাইবক থীবা থৌওং অমদা শুপ্নগী চহী ১গা থা ৩ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা মল্টি দ্রগ রেজিষ্টেন্ট টি বি (এম দি আর টি বি) না নাবা থেংনখি। নৌরিবা চহী মতাং অসিদা হীদাক থানবগী পান্থৈ লৈতবা মরম্না খঙ-হৈরবা ইন্দিয়াগী পেদিয়াত্রিসিয়নশিংগা তানরবা মতুংদা টি বি হীদাক মচেৎ কয়া থোক্লা থুগায়রগা অকক্নবা চাংদা মচেৎ-মচেৎ পীজদুনা লায়েংবা তাখি।

হোলেন্দদা বেজ তৌবা এম এস এফ কৌবা এন জি ও অমগী মতেং লৌরগা খ্বাইদগী ফবা ন্যুত্রিসন পীজদুনা পীক্লিবা অঙাং অদুগী কা হেন্না নেন্নবা বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) হেনগৎহন্নবা হোৎনখি। রিভাইসদ নেসনল ট্যুবরক্যুলোসিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (আর এন টি সী পি) গী মায়কৈদগী মথৌ তাবা শেলগী তেংবাং খরা পীরগসু মরাইবক থীরবী নুপীমচা অদুদা মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা পীজনবা মমা-মপাগী মফমদা শেল মরাং কায়না লৈরমদে।

তৌবগীবুদি লায়র-ইনাক খুনবা খায়দনা মীওই কয়াদা লায়না অসি নাবা থেংনৈ। মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা শকখঙনরবা বোলিব্রুদ ষ্টার অমিটাভ বচন, শক্লাইরবা কবি জোন কিটস, টিনা টর্নর অমদি মণিপুরগী নিংথৌ মচানুপী ফাওবা টি বি লায়না নাখি। নারগা লায়েংববুদি নাদ্রিঙৈদা চেকশিলহৌবনা হেন্না ফৈ হায়বা ৱাফম অমা লৈবনা অনাবা মীওইশিংদা হীদাক্কী কোর্স মপূং ফানা পীজদুনা লায়েংবগা লোয়ননা অকোয়বগী নুংশিৎ শেংনা থম্নবা হোৎনবদা মীপূম খুদিংমক থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই।

লায়না অসিনা মরুওইনা শোকহল্লিবসি মীওইবগী লংস (থবোম্বী) তনি। টি বি লায়নাগী কেস চাদা ৮৫-৯০ রোম লংস (থবোম্বী) তা শোকহনবা থেংনৈ। চাদা ১৩-১৫না হকচাংগী অতৈ কয়াৎশিংদা শোকহনবনি। অনাবা মীওই অমনা লোক খুবদা য়াওরকপা মহীক অদু নুংশিৎতা তিনখি। মহীক য়াওবা নুংশিৎ অদু অতোপ্পা মীওইশিংনা নিংশা শ্বর হোঞ্জিনবদা য়াওখ্রগা মথং-মথং লায়না অসি শন্দোরকপনি।

কনাগুম্বা মীওই অমদা টি বিগী মহীক চঙখ্রবসু মতম শাংনা লায়না ফুদোরক্তবা য়াই। দাইবেটিস, ঐচ আই ভি নৎত্রগা করিগুম্বা মরম অমনা হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টেম শোন্থরক্লবা মতমদা অনাবা ফুদোরকই। অয়াম্বা মতমদা টি বিনা লংসতা শোকহনবা তারবসু লিম্ফ গ্লান্দ, শরূ, তাং-তাং, ইন্টেষ্টাইন, জেনিটোয়ুরিনরি ত্রেক্ট, উনশা, ব্রেন অমদি স্পাইনেল কোর্দনচিংবা হকচাংগী অতৈ কয়াৎশিংদা শোকহল্লকপসু য়াই।

নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি, ঐচ আই ভি অমসুং টি বি পূন্না নারকপগী মতাংদনি। ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওই অমদা টি বি নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৬০ রোম ৱাংনা লৈ। দাইবেটিস নারবা মীওইশিংনা রিস্ক অসি চাদা ৩০নি। ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংদা টি বি লায়না নারকপগী কেস চহী খুদিংগী চাদা ৭তগীনা চাদা ১০ ফাওবা থেংনরি।

*ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং :-*

১) ইনিসিয়ল লেটেন্ট টি বিদগী এক্টিভ টি বি ওইহল্লকপা।

২) এন্টি - টি বি ট্রিটমেন্ট লেপখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না টি বি লায়না নারকপা।

৩) টি বিগী অতোপ্পা মহীক মখল অমনা অমুক হন্না নাহল্লকপা।

৪) শিবগী চাং ৱাংহনবা।

৫) কো-ইনফেক্টেদ পেসেন্টশিংদা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংদা নাহল্লকপা।

*আর এন টি সী পি প্রোগ্রামগী মখাদা পীরিবা খুদোংচাবশিংদি :-*

১) কো-ইনফেক্টেদ পেসেন্টশিংদা নুমিৎ খুদিংগী দি ও টি এসকী হীদাক পীজবা।

২) কো-ইনফেক্টেদ পেসেন্টশিংগী মরক্তা য়াওবা সেকেন্দ লাইন এ আর টি পেসেন্টশিংদা নুমিৎ খুদিংগী রিফাব্যুটিন মিলিগ্রাম ১৫০গী টেব্লেট পীজবা।

৩) ওপোর্চুনিষ্টিক ইনফেক্সন্দগী ঙাকথোক্নবা সী পি টি (কো-ত্রিমোক্সাজোন টেব্লেট) পীজবা।

৪) ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবশিংদা মোলিক্যুলর টেষ্টিং হায়বদি জিন এক্সপার্ট (সী বি এন এ এ টি) গী খুদোংচাবা ফংহনবা।

৫) সী বি এন এ এ টি টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরবা, ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবশিংদা আই পি টি (আইসোনাইয়জিদ প্রিভেন্সন ট্রিটমেন্ট) গী খুদোংচাবা পীবা।

*চেষ্ট সিম্পটোমেটিক ট্যুবরক্যুলোসিস ওইরম্বা য়াবগী চিংনবা য়াবা খুদমশিংদি :-*

- চয়োল অনী হেন্না লোক খুরবা।
- নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী লাইহৌ হৌবা।
- চনিং তানা নিশা শ্বর হোনবা ঙমদবা।
- লোক খুবদা ঈ য়াওবা।
- চানিং-থক্লিংবা ফাওদবা।
- হকচাংগী অরূম্বা হন্থরকপা।
- নুমিদাংদা হুমাং পাখৎপা।
- থবাক্কী অকক্নবা মফম অমদা নাবা।

টি বিগী কেস চাদা ৮৫দগী ৯০ ফাওবদি লংসতা নাবনি। মসিবু পলমোনরি ট্যুবরক্যুলোসিস হায়না খঙনৈ। লিম্ফ গ্লান্দ, শরূ, তাং-তাং, স্পাইন, ব্রেন, ইন্টেষ্টাইন, জেনিটোয়ুরিনরি ট্রেক্ট অমদি রিপ্রদক্টিভ সিষ্টেমনচিংবা অতৈ কয়াৎশিংদা টি বি নাবসু য়াওদবা নত্তে।

য়াম্না মরুওইবা হীদাক মখল অনী - আইসোনইয়জিদ অমসুং রিফাম্পিসিন থাবদা চঙদবা টি বি লায়না মখলবু মল্টি দ্রগ রেজিষ্টেন্ট ট্যুবরক্যুলোসিস হায়না খঙনৈ। ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংদি মওং তানা লায়েংদবা অমসুং মতম চানা নৎত্রগা কোর্স শুনা হীদাক চাদবা অসিনচিংবনি।

হন্দক চহীগী ওইনা ৩৮শুবা ৱর্ল্ড টি বি দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মীয়াম্বু খুদোং থীনিংঙাই ওইরবা লায়না অসিগী মরমদা ৱাখল তাহন্নবা থৌদাং লৌখৎলি। চহী অসিগী থিমনা ‘ইট’স টাইম’ টু এন্দ টি বি হায়বসিনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১

১। মৈতৈ পুৱারীগা শাগোন্নবা তুরেল অমতং হায়বা তারবদি ‘চন্দ্রনদী’ তুরেল অসিসু অমনি। পানা মরি থোক্তুনা থা অনী চঙনা তৌখিবা তুরেলনি।

(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা তৌখিবনো?

(খ) করম্বা পানাগী শরুক্তা হান্না লোইশিনখিবগে?

২। ‘‘নহাকসু কপ্পা, ঐহাকসু কপ্পা/কৌব্রুসু কপ্পা।’’ পরেং অনী অসিদা পল্লিবা কপমিন্নরিবা কবি অসি কনানো?

৩। ‘‘ঈপাকসিদগী কোঙ্গোল পূম্নমক তাকখ্রবদি/লাই অসিগী মমল কনানা হুল্লগনি।’’ পরেং অনীসিদা অচৌবা ৱাহং অমা হংলিবা কবি অসিনা কনানো?

৪। ‘‘খুল অমা লৈ/নোংমৈ গুল্লিগী মখোন্দা নাচুংদ্রবা।’ পরেং অনী অসিনা ‘দিৱালীগী মৈরা পরেং’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। ‘‘স্বর্গদগী ছুটি লৌদুনা/নোরোক্কী নারক ফাওদুনা/ঐ লাই নীংবা চৎলে।’’ ৱাহৈশিং অসিনা চীংলোন ৱাংমদগী ঈগী মরী কবি অমনা লাউরকপনি। মহাক অদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

মমি ৱারী

# অনটাইটল -১

## অঙোম সেরাম







Rahuldev Seram, BFA Applied Art (Sir. JJ.Institute of Applied Art, Mumbai), MFA (Department of Fine Arts,Manipur University)

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*